A newspaper dedicated for the cause of Human Rights

নহারোলগী থৌদাং

ইম্ফাল জুলাই তাং ২৮, ২০১২ ইং থবানগী ১০ পানবা, থাংজ

ওলিম্পিক গেমসনা পীরিবা ঈথিল

শান্নরোইশিংগী থৌনা-লিংজেল তমজনীংঙাইনি

হকচাংগী পাঙ্গল অমসুং থৌনা-লিংজেল চাংদম্নদুনা অথোই-অহেন তান্নবা হায়বসি মীথোই-মীহেনবা পামজবা মীওইবগী মনাৎনি। লৈবাক খুদীংমক্তা শাফম-লানফমগা মরী লৈনবা অমসুং হকচাংনা তৌবা ঙম্বা মশান্না মখল কয়া য়োকখৎতুনা থম্নরি। গ্রীকশিংগী লাইরোন-তীল্লোনগা মরী লৈনবা ওলিম্পিক গেমস হায়রিবা অসিশু মীওইবগী অসিগুম্বা হকচাং অমসুং পাঙ্গলগী মতীক-মঙমশিং অদু উৎপা অৱাংবা থাক্কি কলচর অমনি। কলচর অসি ঙসিদি মালেমগী অনিশুবা লাঞ্জাউগী মতুংদগী দেমাক্রেটিক ওইবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা চহী মরী মরী খুদীংগী মালেম অসিদা লৈরিবা তোংঙান তোংঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্তুনা শান্ন-খোৎনবগী মতেংনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইবগী লীপুন অমা শাগৎনবা হোৎনরক্লি। গেমস অসি অশেংবদি গ্রীককি লাইরোন-তীল্লোন পুম্নমক্কি হৌরকফম ওইরিবা, লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক থংবা মায়কৈদা লৈবা ‘মাউন্ট ওলিম্পস’ চীংখোঙদা লৈবা ‘ওলিম্পিয়া’ কৌবা মফম অমদা এথলেটিক, লিটরেরি অমসুং ঈশৈ-নোংমাইগী অপূনবা চাংদান্নবগী থৌরম অমা ওইনা মৈহৌরোনগী মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু, ইং ১৮৯৬ তগীদি থৌরম হৌবা অমসুং লোইবা নুমিৎতা কুম্মে ফিয়োং খরা উৎলগা গেমস অসিগী অয়্যাম্বা শরুক অদু শান্ন-খোৎনবগী হীরম দা চাংদান্নবনা মপূং ওইহনখি। অশুম্না, ওলিম্পিক গেমসনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইরকপগা লোয়ননা লৈবাক ২০৪ গী খনগৎলবা, থোইদোক-হেন্দোকপা শান্নরোই লীশিং ১১না তোংঙান তোংঙানবা স্পোর্টসকি দিসিপ্লিন ১১ দা চাংদান্নবগীদমক্তা লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানরি।

গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা এথলেট ৮১ না স্পোর্টসকি দিসিপ্লিন ১৩ দা শরুক য়াদুনা অনৌবা রেকোর্দ কয়া থম্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী শান্নরোই মঙা- আর্চর বোম্বেলা, বোক্সর এমসি মেরিকোম অমসুং এল দেবেন্দ্রো, হোকি শান্নরোই কোথাজিৎ অমসুং ৱেথলিফটিংগী এনজি সোনিয়া চনুনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌগদৌরি। শান্নরোইশিং অসিনা হন্দক্কি গেমস অসিদা মশুং-মমান্নবশিংবু মায়থীবা পীদুনা মেদল কয়া ফংলকপগা লোয়ননা মণিপুরগীতা নত্তনা ইন্দিয়া পুম্নমক্কি লংলবা মিংচৎ কয়া শোয়দনা পুরক্কনি হায়না মীয়াম্না খৌরাংনা আশা তৌনরি। পুম্নমক অসিদা খ্বায়দগী হেন্না পুক্নীং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবদি --- রাজনিতি, অর্থনিতি অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী চমম্নরবা সংশার অমদা হিংলিবা মণিপুরিশিংগী -- থোইদোক্লা মীচম প্রজাশিংগী পুক্নীংদা ষ্টেট অসিগী ওলিম্পিয়ান মঙা অসিনা ইন্টরনেসনেল এরেনাদা মশা মশাগী পুন্সিগী অশেংবা শক্তম অদুমক উৎচবা ঙমহল্লবগু চাউথোকচরবা ৱাখল অমা পোকহল্লকপা অসিনি। অসিগুম্বা মমল নাইদ্রবা খুদোল অসিগীদমক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না শান্নরোইশিং অসিগী মফমদা হায়নীংঙাই লৈতনা তৌবীমল খঙবা উৎফম থোকই। শান্নরোইশিং অসিনা উৎলিবা থৌনা-লিংজেল অমসুং মখোয়গী মশাদা চেল্লিবা মীথোই মীহেন্নীংবগী থাক ৱাংলবা গুনশিং অদু মণিপুরগী লুচিংবশিং অমসুং মীয়াম পুম্নমক্লা ফিদম্নীংঙাইগী মশক্লি।

এদিটরদা পীরকপা চিঠি

কনাগী মরালনো?

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর

মণিপুরদা থা অমা অনিগী মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্রাম সভা ইলেক্সন অসিগীদমক মীরেপ ওইগদৌরিবা অমসুং মখোয়গী খোঙলোইশিংনা নীংগ্রি তাখৎপমখৈ ভোট খোম্নবা হৌনরে। লৈকাই লৈকাইগী মচিন চৎপা মহাক য়াওরবদি ভোট হেক্তা কাবনি হায়বা মীওইশিং উপাই অমা তৌদুনা ফাননবা হোৎনবদা তুম্বা চাবা খঙনদরে। নোংমতা মীঙোন্দা ব্যাবহার লৈনা ঙাংদবা, মীংগৌ -থাগৌ তৌদবা মীওই কয়া অমা ভোট লেপ্লিংবগী ময়াইনা তাদা, মাম্মা, ইনে-খুরা, ইবুংঙোনা লৈরক খুদিং লৈকাই খুদিং ঙসিদি নিল্লরে। মীয়ামগী সেবা মতোন লোম্না তৌগনি হায়না ৱাশক্লি। মখোয়না তৌরিবা ময়াম অসি ভোট মমাঙগী তাৎনি ভোট কাখ্রগা হন্না য়েংলরোইদবনি মীওই অয়াম্বা ৱাখলনি। অদুনা লৌবা য়াবা, চাথোক থকতোকপা তৌহৌরগদবনি হায়না ভোটরশিংনসু কেনি দদেট ওইগদৌরিবশিংগী ময়ুমদা বর লাইন খুরুম্বদৌনা চৎনরি। অসিগুম্বা অমনা অমবু থাজনদবগী ৱাখলোন্না মাঙদা থমদুনা সিভিক ইলেক্সন অসি তৌগদৌরি। মেম্বর, প্রধান, জিলা পরিষদ ওইনিংবা মীওইদুদা করিগীদমক ভোট লেপ্লিংলিবনো হায়না হেক্তা হংসি। ‘মীয়ামগী সেবা তৌজগে, শোত্থহৌরবা ইরমদম ইরৈকাই শেমগৎচগে তৌবনি’ মসিনা মখোয়গী পাউখুম ওইগনি। য়াম্না ফজবা পাউখুমদি ওইরগা থবক ওইনা ফজনা পাঙথোকখিবসি মমাংগী চহী ৫ অসিদা মীয়াম্না খবর কাগজতা হাপ্লকপা অদুনা শাক্কিনি। আর টি আই থারুবদগী জোব কার্দ পাইবশিংগী পৈশা লোম্না লৌথোক্লম্লে, অশিবসু মমিং হাপচিল্লম্লে, থবক শুদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়দুনা খবরদা লৌই-লৌদে হায়দুনা শেংদোক -শেংজিনগী ধরনা মীয়াম্না ঙসি ঙসিমক উরি। মীয়ামগী, লৈকাইগী, খুঙ্গংগী য়াইফনবা থাথরকপা শেলফম কয়া অমা মরনাই ফুরিৎখাওদা চঙখিদুনা মেম্বর ওইরম্বা কয়া অমা প্রধান, প্রধান্না জিলা পরিষদতা অদুগা জিলা পরিষদনা লোকেল এমএলএদা প্রোমোসন কানিংবগী নিশাদা মীয়াম্বু মোইথেম তৌরি। মমাং চহী ৫ দা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমজহৌদরে হন্দক্কী চহী ৫সিমগা মীয়াম্না নুংশিবীয়ু হায়বা লোকেল ইলেক্তেদ মেম্বর য়াওদবা নত্তে। শাঙলবা চহী ৫ অসিদা লৈরক খরা নুঙ থাবা, দ্রেন চনবা, পুখ্রি-তুরেল খরা শেংবা, মীচঙ শঙ্গ য়েংলগা ওল্ড এজ পেন্সন পীবা, এমজিএনআরইজিএস কী মখাদা জোব কার্দ হোল্ডরশিং থবক শুহনবা অদুসু পৈশা লোম্না লৌথোকই লৌথোক্তে তৌনরিবা ময়াম অসিনা মখোয়গী এচিভমেন্টশিং ওইরি। পুকচেল শেংনা থবক তৌবা ইলেক্তেদ মেম্বরশিং য়াওদবা নত্তে। মীয়াম্না মখোয়গী মশিং য়ামহন্নিংবগী অপাম্বা লৈ। ভোট লেপ্পদা শেল য়াম্না চাদিং তৌখিবনা, মদু তানখৎপদা মীয়ামগী দিভলপমেন্টকী পৈশাশিং হাইহৎলম্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। প্রজাসু মখোয়না ভোট কাখ্রবদি লোইর অদুনা মতাং চারিঙৈদা লৌবা য়াবা লৌথোকহৌসি অদুম হায়নদবা নত্তে। অদুনদি পীবা-লৌবগী কলচর অসিদা ঐখোয়না অফবা মীহুৎ থাগৎপা ঙমদে। হেন্নদুম করপটেদ ওইবা মেম্বরশিং পুথোক্লককই। মসি কনাগী মরালনো? য়েরুমগা য়েনবীগা কনানা হাল্লি হায়বগী মরৈগা মান্নগদরা খল্লি। পুম্নমক অসি অচৌবা শক্তি পায়রিবা প্রজা ঐখোয়গী মাইন্দসেট অমা হোংদোক্তুনা অচুম্বা মায়কৈদা চৎপগী মখা পোনগনি। ‘জোব কার্ডতগী জোব কার’ ওলহনবা থিংসি। লোকেল এমএলএগী মীৎয়েং মখাদা য়ারগদি লাক্কদৌরিবা চহী ৫গী মতম অসিদা লোকেল ইলেক্তেদ মেম্বরশিংনা এডুকেসন অমসুং হেলঠ সেক্টর অখন্নবা মীৎয়েং চংবীবা মীয়াম্না পাম্নে। লৈকাই-লৈকাইদগী অসুম্না এডুকেসন অমসুং হেলঠকী ফিভম ফগৎলক্লবদি ইরমদম অসিগী অচৌবা অহোংবা কান্নবা অমা ওইগদরা খল্লি।

অদোমগী
সঞ্জিৎ নিংথৌজম
কোংপাল খা ইদেম লৈকাই।

রসায়নগী তিন হিদাক কয়াদা পাম্বীগী তিনশিংনা হৈনরকপা

ডা: কেঐচ. ইবোহল সিংহ
সেনিয়ার এসিস্টেন্ট প্রোফেসার
(ইন্টোমোলোজি) কলেজ ওফ এগ্রিকলচর,
সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, ইম্ফাল

রসয়ানগী তিন হিদাক অসি শীজিন্নবদা নিয়ম চুম্না শীজিন্নদ্রগদি তিনশিংনা মখোয়গী ময়াক্তা হৈনরক্তুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন চাইরগসু তিনশিং ঙাকথোকপগী মহুৎতা মখোয়গী মশিং লৌফমদা অঙকপা ফংনা হেনগৎলক্তুনা তিনশিংগী খয়াৎতগী পাম্বীশিং কনবা ঙমদবগী ফিভমদা লাকপা ঐখোয়না য়াম্না তোইনা থেংনরবা অমখকনি। হায়রিবা তিনশিংনা অকক্লবা তিন হিদাক অমগী ময়াক্তা হৈনরকপগী মরম য়াম্না লৈজরগসু য়াম্না মরুওইবা মরম অহুম লৈ।

অহানবদা: হিদাক্কী চাং ৱাৎনা নত্রগা ৱাংনা শীজিন্নবদগী হৈনরকপা। লৌমী অয়াম্বনা পাম্বীদা তিন তাবা মতমদা হিদাক অমগী য়ানগদবা চাং চপ চানা হায়বদি তিন শিবা / হাৎপা ঙম্বগী ময়াক য়ৌহল্লগা কাপকদবদু হম্বনা লৈহল্লগা কাপ্পা থেংনৈ। মসিগীসু মথক্তা ফৌ, মনা-মশীংশিংদা হিদাক কাপ্পা হায়বসি শঙম অমদা ঈশিং লিটর ১০০ য়ামদ্রবদা চঙগনি। হায়রিবা চাং অসি য়ৌনা কাপ্পা লৌমী ১০০ গী মনুংদা অমা ফানা কাপ্পা থেংনদে। ঈশিং লিটর ১০ চনবা পম্প অমদা হাল্লগা পম্প অমা অনি শঙম অমদা কাপ্পনা অয়াম্বনি। মসিসু অতা-অতাবা লৌফম মচেৎ-মচেৎ খল্লগা কাপ্নে। তিন হিদাক চাং নেম্না লেপ্তুনা চাইরকপনা তিনশিংগী মপাঙ্গল হেনগৎহনবা অমদি তিনশিংনা অকক্লবা হিদাক অদুদা হৈনরকপগী মরম ওইহল্লি। অমরোমদা য়ানগদবা হিদাক্কী চাং তিন য়াম্না হাৎনবনি হায়দুনা হেন্না য়াল্লগা কাপ্লুবা মতমদা হন্দক্কী চহীদি তিন মপুং ফানা ঙাকথোকপা ঙমখিবা য়াই। অদুবু মথংগী চহীদা চপ মান্নবা তিন হিদাক চপ মান্নবা তিন মখলদু ঙাকথোক্লুবা চাং চপ চানা (মমাংগী চহীদা চাইখিবা হিদাক্কী চাংদগী হম্বনা য়াল্লগা চাইবা) য়াল্লগা চাইবা মতমদা তিনশিংদা শিবগী মহুৎতা মথৌ হাপকৎলক্তুনা মশিং হেনগৎলক্কনি। হায়রিবা থৌওং অসি লেপ্তুনা চথবনা তিনশিংনা অকক্লবা হিদাক্কী ময়াক্তা হৈনরক্লবগী মচাক অমা ওই।

অনিশুবদা: হিদাক মখল অমা অকক্লবা তিন মখল অমা ঙাকথোক্লুবা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা শীজিন্নরকপা। তিন হিদাক ফনা ফবা ওইজরগসু অকক্লবা তিন অমা ঙাকথোক্লুবা লেপ্তুনা হঞ্জিন হঞ্জিন চহী খুদিংগী শীজিন্নরকপনা হায়রিবা তিন হিদাক্কী মহাওদা তিনশিংনা হৈনরকপদগী পাম্বী অমা থারিবা রিতু অদুগী মনুংদা হঞ্জিন হঞ্জিন ৪ / ৫ রক কাপ্লগসু ঙাকথোকপা ঙম্লক্তবগী ফিভমদা লাকহল্লি। ঐখোয় মীওইবগা তিনগা চপ মান্নে। ঐখোয়না কোক চিকপা নত্রগা লোক লাইহৌ তৌবা মতমদা অহানবা চাখিবা হিদাক মখল অমা মতুংদা কোক চিকপা-লোক লাইহৌ তৌবা খুদিংগী অসুম হঞ্জিন হঞ্জিন চাশিল্লক্লগদি ফরক্তবা য়াওনরিবা অদুনি। অদুগা অমুকসু কনাগুম্বা য়েন থোংবগী মথেল য়াম্না পামজবা অমা নুমিৎ নিনিদং অয়ুক্কী-নুমিদাংগী চরা অনিমক্তা লেপ্তুনা য়েন্দা চাশিল্লক্লগদি মমৈথংদা য়েন খিরক্তুনা য়েন উবা য়াদবা য়াবদুগা চপ মান্নে তিন্না তিন হিদাক মখল অমগী মহাওদা হৈনরকপা।

অহুমশুবদা: তিন হিদাক মখল লান্না চাইবদগী তিনশিংনা হৈনরকপা। বিজ্ঞানিকশিংনা হান্না খঙদোক্তুনা অসিগুম্বা তিন হিদাকসিদি হায়রিবা তিন মখল অসি হাৎপা ঙম্বগী শক্তি লৈতে হায়বশিং লৌমীশিংনা পঙসিদা শীজিন্নবা। খুদম খরা লৌখৎলবদা Synthetic pyrethroid হায়না খঙনবা রসায়নগী হিদাক কাংলুপ মখলসিগী হিদাক Cypermethrin অমদি Deltamethrin সি ৱাহিক অমদি পাম্বীগী মনাগী মখা থংবা অঙৌবা মসা পানবা অপিকপা য়োমদুনা মহী চুপ্তুনা মাংহনবা হ্বাইট ফ্লাই হায়না খঙনবা তিনশিংগীদমক চাইবা য়াদে হায়রগসু লৌমীশিং অমদি হিদাকশিং অসিগী মরমদা খঙদবা মীওইশিংনা তিনশিং অসি ঙাকথোক্লবা লৌমীশিংদা পাউতাক পীদুনা লেপ্তুনা চাইহনবদগী লৌমী কয়া পুন্সি পোখোক অমত্তা ফংদবদগী পীখম্নবা ঐখোয়গী ভারত্তা থোকখ্রে। হায়রিবা হিদাক অনি অসি তিন মখল অনিসি ঙাকথোক্লবা লেপ্তুনা শীজিন্নরকপনা তিনশিং অসিগী মশিং অঙকপা ফংনা হেনগৎলকপদগী পাম্বী মখল কয়াদা তারকপদা অতোপ্পা হিদাক কাপ্লগসু কনবা ঙম্বগী শক্তি য়াম্না নেম্মী। অমরোমদা Carboturan হায়না খঙনবা Carbamate তিন হিদাক্কী শাগৈগী মনুং চনবা ফৌগী তিন মখল উতোং-নুংয়েং তিন য়াওনা কয়া ঙাকথোকপা ঙম্বগী শক্তি চেনবা হিদাক অসি বিজ্ঞানিকশিংনা ফৌগী মনা কোনশিনবী তিন্নদি হিদাক অসিগী ময়াক্তা হৈনখ্রে। অদুনা তিন মখল ঙাকথোক্লবা চাইবা য়াদে হায়না ফোঙদোকপা লৈরগসু ফৌগী লৌফমদা Carboturan হঞ্জিন হঞ্জিন লেপ্তুনা চহী খুদিংগী চাইনবনা ঐখোয়গী মণিপুরদা খুদোংথিবা থোক্ত্রগসু অতোপ্পা ভারতকী রাজ্য খরদদি য়াম্না মরুওইবা তিন অমা ওইনা লৌনরমদবা মখোয়গী মশিং য়াম্না হেনগৎলকই মনা কোনশিনবী। তিন হৌজিক্তি য়াম্না মরুওইবা তিন অমা ওইনা লৌনরে। অতোপ্পা খুদম অমনা ওর্গানোফোসফোরসকী শাগৈদা চনবা Fenitrothio তিন হিদাক অসি লশিং অমদি কোবীগী তিনশিং হিদাক অসিনা হাৎপা ঙমদে হায়দুনা বিজ্ঞানিকশিংনা খঙদোকখ্রবনি। অদুবু লেপ্তুনা হিদাক অসি শীজিন্নরকপনা লশিং অমদি কোবীদা তাবা তিন মখলশিংগী ষ্টেতস ঙাইহাক লৈতনা অকা অকুম তৌই। হায়বদি মরু ওইরমদবা তিনশিংনা মরু ওইখৎলকপা, মরু য়াম্না ওইরম্বা তিনশিংনা অমুক মরুওইদবা ওইখৎলকপগী থৌওং থোকপদগী লশিং অমদি কোবী থাবা লৌমীশিংদা য়াম্না খুদোংচাদবা থোকহল্লি।

মথক্কী ৱারোলশিং অসিনা মাংদা থম্লগা হৌজিক ফাওবদা করম-করম্বা রসয়ানগী তিন হিদাকশিংদা করম্বা তিন মখলশিংনা মখোয়গী ময়াক্তা হৈনরে হায়না খঙদোক্লবগে হায়বা ঐখোয়গী লৌমী ইচিল ইনাওশিংদা খুদোংচাদবা হায়বদি পৈশা মাংদবা-মতম মাংবা কান্নদবদা হিদাক লান্না চাইরুবদগী থোকপশিং থোক্তনবগীদমক খঙজিনদবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুনা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী মিৎ-নাকোং ওইনবা মরুওইবা তিন হিদাক খরা লৌখৎচরগা করম-করম্বা পাম্বীগী তিনশিংনা মখোয়গী ময়াক্তা হৈনখ্রবগে হায়বগী মতাংদা নৈননবা থমজরি। *(মথং মথং)*

মণিপুরগী ইতিহাসকী ঈচেলদা চকপশিং

ডা: য়ুম্নাম মহেন্দ্র
ফোর্মর দাইরেক্টর, সিদিসি, এময়ু

চকপা হায়বা ৱাহে অসিমক ইংরাজি লোলদসু চক হায়না খোম্বোকই, তৌবতদি ইবা মতমদা SAK হায়না ই। পাবদদি এস অসি চগী খোম্বোক ওইনা পায়। খুদম ওইনা পল্লবদা চন্দ্রকৃতিগী অহানবা ময়েকসু ইংরাজিদা এসনা হৌরগা ই। মৈতৈ পুয়াশিংনা চকপগী মরমদ ইরি, মখোয়শিং অদুদি চকপা লোল, চকপা খুন্দালোন অসিনচিংবা অসিনি। পুয়াশিং অসিদা চকপনা ইহান হান্না মণিপুরগী খুন্দামিশিং ওইনা ইরি। হয়িচকতা চকপনা পাল্লে। মৈতৈগী চৎনলোলদা ইতিহাসকী মতমগী তাঙ্কক অসি মরী থোক্লা খায়দোক্তুনা মমিং অমমম থোল্লি। ১বা মতমগী তাঙ্কক্তা হয়ি চক, ২ বা মতমগী তাঙ্কক্লা হয়া চক, ৩ শুবা মতমগী তাঙ্কক্লা লাংবা চক অমদি ৪ শুবা মতমগী তাঙ্কক্লা কোন্নচক কৌই। ‘চকপা খুন্দালেন’ কৌবা পুয়াদা অসুম্না ইরি, ‘‘হয়ি চক কৌবা চক অদুদা চকপা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্লে। খুনুং চক অদুদা পাল্লম্বদি সরাং লৈশাংথেম খাবা ঙানবনা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্মে। অসিগী মতুংদা লাংবা চক কৌবা চকতা খুমন লুৱাংনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্লে। অসিগী মতুংদা কোঞ্চাক কৌবা চকতা পাল্লম্বা নিংথৌদি নুমিৎকী মখোয়দগী কুল্লক্তুনা মমিং পাখঙবা কৌনা নিংথৌ ওইরে।’’ পাখঙবা নিংথৌশিংনা পাখঙবগী মমাংদা খাঙবা ঙমদ্রদুনা কোয়না চৎথোকখিরমই। নিংথৌ অহুম অদু শোরারেল অহুম হায়না খঙনৈ। শোরারেল অহুম্না চেম্বোকখ্রবা মতুংদা পাখঙবনা ফম্বাল তোংদুনা খোয়মোম লাইনা শাবি লাইশ্রাগা পামিন্নৈ। অহিংদি মী ওইনা লাইশ্রাগা তু- ওই ৱা ওই কোইতমহৌএ। নোংথিলদি লাইরেলদা লাই ওইদুনা লাইথৌ তৌরুইএ।

‘‘মৈদিঙু লাইরেল নাউখম্বগী মতমদা সেলোই লংমাই চীংদা চকপা খুঙ্গং তারাসুনা খুন্দাদুনা পাল্লমএ। চকপগী নিংথৌরোলশিংদি তাংবনে, পাংকনে, চিক চিকপনে, লৌপাননে, শৱাংনে, সৱাং নোংফুরোল অচিবনে, তরেৎ অসিদি লাইরোলননে। মসিগী মতুংদা অমুরক সৱাংনা পোকপদি চকপনে, তাংবনে, কাসিনে, হোরিনে, চহারানে, নোংলোননে, নোংফুচন, মেনোং মিৎনে, অমোমিৎনে তরামক অসিনে। অসিগী মতুংদা অমুরক ওনদেরকপনদি সৱানে, কাশিনে, অংবনে, শেরিঙবনে, ইকোংসেংনে, ওইনামনে, লেলোংনে, চিরাংনে, ৱাংবননে, সেকতানে, কামুনে অসিনে। মখোয় অসিগী চাকোক মরদি অহানবমক্তদা হান্না খুলগুমলকপদি শোরারেলদগী থোংবায়োই শাগৈদা তারকএ। লুনা শেংনা তারকয়ে হায়বগীবু সেকমাই কৌএ। খুঞ্জেং লাকনা হঙচেংলকনা খুৎ পীদুনা কৌরোংসুনা সরেল লমনা য়েৎলোই লৈনা কুমলকএ হায়বগীবু সেকমাই খুলাকপম কৌএ। পুংগাই খোংদসু অহোংগৈদসু পুনসিৱাদা লৈরে। মচেৎ অমদি লাংচিদসু তারম্মে। অসিগী মতুংদা খুল হোংদোক্লককপদদি শেলোই লংমাই চীংদা খুঙ্গং তরাসু খুন্দাএ।

মসিগী মতুংদা ‘চকপা খুন্দারোল’ পুয়াগী মতুংইন্না নিংথৌ নাউফংবগী মতমদা লংমাইচিংদা খুন্দারিবা চকপশিংগী মরক্তা ‘চাইনরক্তুনা’ খুন্তাব্কখি। মকেম তোংগা হুলনা চেংসাগা অনিমকনা চিংদুনা চকপশিংদা থৌবালতোংদা তাইএ। মখোয়বু চকপা থৌবালতোং কৌএ। লমাইগা লাগেলগা অনিনা লুচিংদুনা য়িনমশেংদা তাইএ। চকপা য়েংমাই কৌএ। অরোক্লা অহৌগা অনিনা লুচিংদুনা থেংখোংদা তাই, চকপা থেংখোং কৌএ। ফনাওগা ডিউনা চেংশাংগা লুচিংদুনা ফয়েংদা তাইএ, চকপা ফয়েং কৌএ। খরাইবগা খরাইখুগা অনিনা লুচিংদুনা থোংজাউদা তাইএ, চকপা থোংচাউ কৌএ। লৈশিহাগা লৈসিখুগা অনিমক্লা লুচিংদুনা থোংজাউদা তাইএ, চকপা থোংচাউ কৌএ। লৈসিহাগা লৈসিখুগা অনিমক্লা লুচিংদুনা লৈথারাংদা তাইএ, চকপা লৈথারাং কৌএ। কাকৌরিবনা লুচিংদুনা কৌক্রককতা তাই, চকপা কৌক্রক কৌএ। চিঙপা লাইবনা লুচিংদুনা চীংঙুথেপতা তাইএ, চকপা চীংঙুথেম কৌএ। ফু (চফু) হান্না শাবদি সৱাংনে, অংবনে, লোলাংনে, ওইনামনে, সেরিবনে, সেরাংবনে, ৱাংপলনে। তরেৎ অসিনা চফু হান্না শাইএ। ফু শাবা খুন্দি অসিনে।

চকপশিং অসি সলাই তরেৎ থোক্লা খায়দোক্লমই। সেবিঙবগী কাংলুপ অসি অঙোম সলাইনি। সেৱাংবগী কাংলুপ্পা নিংথৌজ সলাইনি। মেনাংবগা কোনাংবগগী কাংলুপ্তা লুৱাং সলাইনি। য়াৱাগী কাংলুপ্পা খাবা ঙানবা সলাইনি। মেরোলবগী কাংলুপনা খুমন সলাইনি। চফু শাবগী কুমওং তম্বদি নুরা খুতোংগী মপাল তম্না শাবা হৌরক্লমই। চকপগী সলাই অহানবদি থৌবাল তোংনা হাল্লে। মথংদা সেকমাই খানে। অন্দ্রোদি হোরিদগী খাইখিবা ঈনে। মখোয়বু খুনুঙময়ুম কৌএ।

মৈতৈ নিংথৌশিংনা চকপদা লাল তাবা:

‘চকপা খুন্দারোল’ পুয়াগী মতুংইন্না মৈতৈ নিংথৌ কবোম্বনা (১৫২৪-১৫৪২ এ দি চৈ:থা: কুম্বাবা) সেকমাইগী চকপশিংদা লাল তারমই। অদুবু লান্দা মায় পাক্তুনা হল্লক্লমখি। পুয়াদা অসুম্না ইরি ‘‘মৈদিঙু লাইরেল শেলবী কম্বোম। স্না হাক্তক অসিদা। চকপা পুঙখউল সেংমাই খলিপোক্তববু হুয়েল লানশোক খমথেংনবা লানখোঙ মখৈ ফংঙমদনা লাইরেল নিঙনা তেরকএ।’’ অমরোমদনা চৈ:কুম: লমাই ২৩’’ শক ১৪৪৯। চকপা পুংপুন ঙমএ।’’ চকপা খুন্দারোল পুয়াদনা নিংথৌ কবোম্বনা চকপা ঙমদবা ওইনা ইরি। অদুগা চৈ:কুম: নিংথৌ কবোম্বনা চকপা ঙম্বগী ওইনা ইরি। মৈতৈ নিংথৌ মুংয়াম্বনা (১৫৬২-১৫৯৭ এদি চৈ:কু:) শক ১৪৮৯ দা চকপা পুংপুন ঙমএ। চকপা খুন্দারো পুয়াগী মতুংইন্নসু নিংথৌ অসুম্না ইরি, শেনবী মুঙয়াংবা স্না হাক্তক অসিদা লাইরেল সনা মখোং লেংনা অমুরক লালসোক খলথেংনববু থুগাইবা ঙমদুনা সেংমাই খোমগৎতুনা হল্লকএ।

চৈ:কুম: মতুংইন্না নিংথৌ চরাই লোংবনা (১৬৬৬-১৬৯৭) শক ১৬২২ দা চকপা সেকমাইবু ইথারাইদা লৈসনু হায়না খোমগৎএ।

‘চকপা খুন্দারোলগী’’ মতুংইন্না অসুম্না ইরি, ‘‘পাইখোম্বা পোইরৈ খুলখোম্বা। তয়ুমনাই খোনবা অসিনা। লাইরেল সনা ঐহাকথক অসিদা। ইয়ু লাইরেল নিংথৌ মচা মরোল য়িমাংগীনা। খোমগৎপা ঙল্লমদবা অসিবু। চকপা থাংয়ৈনা। সেকৱাত্র পালতমগে হায়না লাইরেল। উনবী চক হৌনা থাংগাং মতম পালনা। পোইরৈ পুম্না হুপ। ৱাংগাম পাক্লা তাইনা। লাইরেল সনা মখোঙ লেংনা। চকপা সেকমাই খানপোক মপুং। য়াইবু। য়িললেল চাঙগোই উপকুম্না। মরাল খানবী মৈমাচল। হুয়েল সাইবুমৈ। তালককনা। পলথোঙ থাবদি। চকপা চায়রে। থাগা চাইরে। হেমথোং মৈরা মুৎলে। হুয়েল লালনিগীদি চকপা হৌজিপগা হৌখিবগা কেনেংবগা। চমখম্বগা মরিমক্লা নিংনা। লাল ১০০। ফাএ। চকপা খুলগা পুম্নমক খোমগৎলক্তুনা থৌবালগী কৈবুংদা খুন্তাহল্লে।

(মথং মথং)

মীপান তাংদনবা হোৎনমিন্নরসি, থবক কন্না শুরসি

শগোলশেম তরুনী

ঙসি ইরমদম অসি খরা শোত্থরক্লে হায়না খনদবা ঙল্লক্তরে। মরমদি করিগীনো ঐখোয়না খুৎতুংবুন্নদুনা থবক তৌফম লৈতে, করম তৌগদৌরিবনো হায়দুনা ৱাখল শোম্ববিদুনা মতম পুম্বদা তুফক-তুফাই চন্দুনা লৈবীরনু। থবক্কী থবক ঙাক্তনি। চাওখ্রবা ইরমদম হায়জরগে। নোংপোক-নোংচুপ, খা-ৱাং কোইনা চৎপদা য়াম্না চাওই পিকই হায়বা য়ারোই। মসিদা ঐখোয় জাতি হিংনবগীদমক্তা করিগী পোখোক ৱাৎকদৌবগে। ৱাৎলোয় শুব-নোম্বা কল্লবদি শোয়দনা নোংমদি ৱাং চাওরবা লৈবাকশিংগা চাংদম্নবদা মীনা শুকহেল হেল্লোই। য়াম্না চাওথোক্লা হায়জগে। শুদা শুমিন্নসি, নোমদা নোমিন্নসি। নিংহন্নবা তৌবীগনু ঐখোয় লোয়না মীনি।

মীওইবগী পুন্সিদি খোঙথাং খদিংমক্তা শেলগী তঙাইফদবা লৈ। কনাগুম্বা ৱাখল খহুবা ৱাৎপা, চাওখৎ -থৌরাংগী অপাম্বা লৈতবা, মীবু শেমগৎ-শাগৎকে খন্দবা মীওইশিংনদি অসুম্না হেক হেক খল্লি, শেল য়াম্না পায়রগা করি তৌগনি। করি তৌরুনি। মসিদি য়াম্না ৱাখল থেনবনি। শেম্বোক লৈনবা শুব-নোম্বা তনবা য়াদে। শেল য়াম্না তানবা ঙল্লবদি মফম মফম খুদিংগী মীওইবনা হিংবদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎচংশিং হায়বদি জ্ঞান লৌশিংগী স্কুল কলেজ অসিনচিংবদা নক্তনা অনা-লায়েংশঙশিং অমদি মীওইবগী চংদ্রবা য়াদ্রবা কান্না কান্নরবা শেল-থুমগী চাওখৎ-থৌরাং কয়া শেমগৎতুনা লাইর-অনং কয়াগী শেম্বোক লম্বী য়াৎপা ঙম্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমগদবনি। মায় পাকপা, অফবা, নুংঙাইবা, হকচাং ফবা, মীনা ইকাইখুম্নবা, মীয়ামগী নুংশিনবা, মীয়ামগী থবক তৌবা পুম্নমক অসি শেল য়াওদ্রবদি ওইথোকপা ঙল্লোই। মরম পুম্নমক অসিনা মথক্তা হায়খ্রিবা অসিগী মতুংইন্না শেল পায়দ্রবদি থবক খুদিংমক অমত্তা ঙল্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় ইরমদম অসিদা লৈরিবা খুদিংমক্লা থবক কন্না শু-নোম্বা তাই অদুতদা চাওখৎপগী থাক্তা অদুম লাক্কনি। মসিগী ৱাহে অসিদি মীওইবগী পুন্সিদা মঙালগী লম্বীনি। অসিগুল্লবা পুন্সিদা য়াইফনিংঙাই ওইরবা লম্বী অসিগীদমক্তা ঐখোয়না অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা অমুক মতম শাংহনবা তৌদনা খোঙ থাংজিনবা হৌরসি।

মসিদা ঐখোয়না কনা কননা করি তৌখিবগে হায়বদো য়েংমিন্নবা য়ারে। থবক শুদবা য়াদে পৈশা তান্দবা য়াদে। অমেরিকানা শেলগী মতেংনা থবক পুম্নমক ঙমখিবনি। অমেরিকাগী ফিল্ম ষ্টার হেরিসননা মশাগী ফিল্ম নম্বদা অতোপ্পদগী এরোপ্লেন, হেলিকোপ্টর ৱাইরম্বদো মশাগী শেলনা এরোপ্লেন ,হেলিকোপ্টর লৈজদুনা ফিল্ম নমখি। মদু করিননো শেলগী মতেংননি। ইন্দিয়াগী লক্ষ্মিটলনা লন্দনগী খ্বায়দগী তাংবা য়ুম অহুম লৈবা ঙমখিবদো শেলগী মতেংননি। শেল য়াওদ্রবদি করম্না চাওখৎকনি, শেল য়াওদ্রবদি চাওখৎপা য়াদে। মরম অদুনা ঐখোয় জ্ঞান তামিন্নরসি চাওখৎপা লৈবাক ওইহল্লসি। অরেম্বদা মতম মাংহন্দুনা ওইদ-পাদা তৌদুনা লৈথোক্ল গুমসি। অহানবদা হায়জখিবা খুৎতুংবুন্নরগা মোন্দ্রং শানদুনা নিশা খরা শীজিন্না নোংঙানবা অমুক ঙাই নুমিৎ তাবা অমুক ঙাইদুনা মতম মাংহল্লগুমসি। ঐখোয় মৈতৈ লৈমা ইমাগী মচা ঙাক্তনি। পাংদবা ইমানা পোকপা মচা নত্তে। থৌনা ফবী ইমা মৈতৈ লৈমনা পোকপীনি। কেদৌঙৈদা নিংহন্নবা লৈতবা থৌনা ফনা বৃটিশ ফাওবা লাম্বেংনবা ঙম্বী ইমাশিংগী মচাশিংনি। করিগী নিংহন্নরুগনি। নিংহন্নবা হায়বসে পাংদবগী খুদমনি। হিদান্নবা হায়বা অমা লৈরিবসি তৌদবা য়াদ্রবনি। ঙসি তাইবং অসিদা হিদান্নবা হায়বদি কম্পিটিসন অসি য়াওদবা য়াদে। মীনা অচৌবা থবক অমা তৌখিবা মতমদা ঐনা ফরে মানা তৌরিবা অসিগুম্বা ঐসু অচৌবা সমাজগী কান্ননবা থবক অমা তৌরগে খন্দুনা ঙম্নবা তৌবা তাই মদুদি, ঙমগে খল্লবদি অদুম হেক্তা ঙমগনি। অদুবু মতমদি খরা চংগনি। চংখিবা মতমদো করিসু খল্লগুমসি। মরমদি মীয়ামগী অমদি ইরৈবাক ইরমদমগীনি। থনমগদবনি ঐখোয় ঐখোয়না তৌবা ঙম্বা অফবা মীয়ামগী ফননবা ওইবা থবকশিং। মদুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলনা খঙহৌরনি ইহৌরনি নিল্লনি। লৈবাক খুদিং মালেমসিনা লৈরিবমখৈ অদোমগী মীংচৎসে অদুম নৈনদুনা লৈরনি। তৌবীরম্মু অফবা থবক কয়া ঙান্দুনা লৈহৌনবা মালেমদা। মীওই কয়ানা মতৌ তমহৌনবা।

করিগীনো ঐখোয়না পাংদবা অমা ওইনা হিংলিবসিবু খরা চারগা খরা শেৎলগা ঙাইহাক্তং হিংলম্লগা লোইরে খনবা পুম্নমক লোইনা তোকথোকমিন্নরসি। হিংদবা য়াদে হায়দুনা শেন্দাল লম্বীসু মফম মরাং খঙদনা মী মাংবা পোৎ য়োনবা অমদি মী মাংবা য়াবা করবার তৌবীবদি য়ারিবমখৈ তোকথোকসি। মদুনা ঐখোয়দা য়াম্না কান্নবা ফংগনি। মীংচৎনা খ্বায়দগী হেন্না কান্নৈ। অথিবা মীংচৎ লৈহনগুমসি ফত্তবা পোৎ য়োনগুমসি। ঐখোয় ইমা লৈবাক মাংহনগুবসি, শেমগৎমিন্নরসি।

মরম অদুনা ঐখোয় থবক্কী হৈনবী থাজবা থম্মীন্নরসি। ঐখোয় পুম্নমক লমজিংবা থম্বা গান্ধীগী ৱার্ক মোর টোল্ক লেস হায়বা অদু তৌমিন্নরসি। ঐখোয় পুন্না চংশিনমিন্নরসি। তশেংনমক মসি পুন্সিবু চাওখৎ লম্বীগী মাংলোমদা চৎখৎনবগী অথোইবা পাম্বৈ ওইরবনি। রুসোন্না অসুম্না হায়রম্মী ‘নহাক্লা ইংখোলদা উহৈ থাবগী ৱাখল খন্দুনা মতম মাংহনবগী মহুৎতা হৌজিক উহৈ চারা ফংনবা থিবা হৌরো, ফংবগা থংনবা মীকুপ্তা পাম্বী অদু থাজিল্লো। অদু ওইরবদি নহাক শোয়দনা উহৈ চাবা ফংগনি। মমাংঙৈ হায়বদি য়েলহৌঙৈদা লৈরম্বা মীওইশিংদি ঈশ্বরগী ঙমথংনি হায়না হায়। মরমদি মখোয়না হায়রম্বশিং অসিদি ঐখোয় মতমসিগী মীওইদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পাউতাক কয়া কয়া পীবিরম্মী। ঐনা মদু লৌশিনসি।

> *মীওইবগী পুন্সিদি খোঙথাং খদিংমক্তা শেলগী তঙাইফদবা লৈ। কনাগুম্বা ৱাখল খহুবা ৱাৎপা, চাওখৎ - থৌরাংগী অপাম্বা লৈতবা, মীবু শেমগৎ-শাগৎকে খন্দবা মীওইশিংনদি অসুম্না হেক হেক খল্লি, শেল য়াম্না পায়রগা করি তৌগনি। করি তৌরুনি। মসিদি য়াম্না ৱাখল থেনবনি। শেম্বোক লৈনবা শুব-নোম্বা তনবা য়াদে।*